

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*ইংলেন্দদা পাঙথোকপা ইএফএল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী লীগ মেটচ অমদা নোট্টিংহামগী মায়োক্তা হেটট্রিক্কী পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা চেলসিগী শান্নরোই মিচি বাটসুয়ায়ি*

*ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ক্লব অমা ওইরিবা চেলসিদা শান্নরিবা অদুগা স্পেনগী ক্লব এটলেটিকো মাদ্রিদতা হল্লক্লবগী ক্লব অনীনা য়ান্নবা পীনখ্রবা স্পেনগী ফোরৱার্দ শান্নরোই দিএগো কোস্টা*

## অনীশুবা ৱান দে মেটচতসু ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াবু রন ৫০ দা মায়থিবা পীদুনা মেটচ ৫ গী সেরিজ ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখ্রে

*কোলকতা, সেপ্টেম্বর ২১ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়া টুর ওফ ইন্দিয়াগী মনুং চন্না ঙসি ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কোনুং কোলকতাদা শান্নখিবা অনীশুবা ৱান দে মেটচতা ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াবু রন ৫০ দা মায়থিবা পীদুনা মেটচ ৫ গী সেরিজ ২–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখ্রে।



*ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নখিবা অনীশুবা ৱাদ দে মেটচতা রন ৯৫ লৌবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন কোলিনা ফোর য়ৌখিবা*

ঙসিগী মেটচ অদুগী টোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌরকপদা ওভর ৫০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ২৫২ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু ওপনর অজিনক্য রহানে অমদি রোহিট শর্ম্মনা হৌদোরকখি। রোহিট শর্ম্ম শুপ্নগী রন ৭ তা ওষ্ট্রেলিয়াগী বোলর কোল্টর নাইলনা আওট তাহন্দুনা ইন্দিয়াগী স্কোর ১৯ শুরকপদা অহানবা ৱিকেট তুখি।

রোহিট শর্ম্মগী মহুৎ শিল্লকখিবা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোলিনা ওপনর অজিনক্য রহানেগা ফজবা পার্টনর অমা শেমদুনা ইন্দিয়াগী স্কোর অদু ১২১ ফাওবা পুখৎলকখি।

ওপনর অজিনক্য রহানে মশাগী রন ৫৫ দা রন আওট ওইদুনা ইন্দিয়াগী অনীশুবা ৱিকেট তুখি। রহানেনা মহাক্কী রন অদুদা ফোর ৭ য়ৈরমখি।

ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোলিনা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী বোলরশিং অদুবু নীংথিনা মায়োক্লদুনা বোল ১০৭ দা ফোর ৮ য়ৈরগা রন ৯৫ দা ওষ্ট্রেলিয়াগী বোলর কোল্টর নাইলনা আওট তাহনখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদুদা কেদর যাদবনা লৌরম্বা রন ২৪, হর্দিক পান্দিয়ানা লৌরম্বা রন ২০ অমদি ভুবনেশ্বর কুমারগী রন ২০ অদু নত্তনা অতোপ্পা বেটসমেনশিংদি রন ১৫ য়ৌবা অমত্তা য়াওখিদে।

ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী নাথান কোল্টর অমদি কেন রিচার্দসনন্না ইন্দিয়াগী ৱিকেট ৩ / ৩ লৌবা ঙমখি।

ওষ্ট্রেলিয়ানা রন ২৫৩ গী টার্গেট অদু লৌননবা হোৎনরকপদা ওভর ৪৩ গা বোল১ দা মখোয়গী বেটসমেন ১০ মক আওট ওইখিবদগী ইনিদয়ানা রন ৫০ দা মায় পাকখিবনি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী ইন্নিংস অদুদা ওপনর অনী শুপ্নগী রন অমমম খক লৌরমখি। মখোয়গী ইন্নিংস অদুদা কেপ্টেন ষ্টিভন স্মিথনা রন ৫৯ লৌরমখি। লোয়ননা অহুমশুবা বেটসমেন ওইখিবা ত্রেবিজ হেদনা লৌরম্বা রন ৩৯ অমদি ৫শুবা বেটসমেন মার্কস ষ্টোনিসনা আওট ওইদনা রন ৬২ লৌরম্বা অদু নত্তনা অতোপ্পা বেটসমেনশিংদি রন ১৫ য়ৌবা অমত্তা য়াওখিদে।

ইন্দিয়াগী বোলরগী মায়কৈদা কুলদিপ যাদবনা হেটট্রিক ফংবা ঙমখি। ভুবনেশ্বর কুমারনা ৱিকেট ৩, হর্দিক পান্দিয়া অমদি যুজবেন্দর চাহলনা ওষ্ট্রেলিয়াগী ৱিকেট ২ /২ লৌবা ঙমখি।

## এসিয়ান ইন্দোর এন্দ মার্সিয়েল আর্টস গেমসতা ইন্দিয়াগী অজয় কুমারনা মিটর ১৫০০ গী লমজেলদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখ্রে

*অসগাবাট, সেপ্টেম্বর ২১ঃ*

টুর্কমিনিষ্টানগী কোনুং অসগাবাটতা চথরিবা এসিয়ান ইন্দোর এন্দ মার্সিয়েল আর্টস গেমসতা ইন্দিয়াগী অজয় কুমারনা মিটর ১৫০০ গী লমজেলদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখ্রে।



*এসিয়ান ইন্দোর এন্দ মার্সিয়েল আর্টস গেমসকী মিটর ১৫০০ দা গোল্ড ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী অজয় কুমার*

এসিয়াগী চেম্পিয়নসু ওইরিবা ইন্দিয়াগী অজয় কুমারনা ঙরাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা মিটর ১৫০০ গী ইভেন্ট অদুদা মিনট ৩ঃ৪৮. ৬৭ সেকেন্দদা পম্থুং ফম য়ৌদুনা ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

এসিয়ান ইন্দোর এন্দ মার্সিয়েল আর্টস গেমস অসিগী ইভেন্ট অমা ওইরিবা সাইক্লিংগী মিটর ২০০ গী ইন্দিভিজুয়েল স্প্রিন্ট রেসতা ইন্দিয়াগী সাইক্লিষ্ট দেবোহা হেরোল্ডনা সিলভর মেডল অমা ফংবা ঙমখি।

নুপীগী কুরাস ইভেন্টকী কেজি ৮৭ মথক্কী কেটেগোরিদা ইনিদয়াগী নেহা সোলানকিনা ব্রোঞ্জ মেডল অমা ফংবা ঙমখি। অদুগা ইভেন্ট অসিগী কেজি ৮৭ মখাগী কেটেগোরিদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা এঠলিট জ্যোতিসু ব্রোঞ্জ মেডল অমা ফংখি।

টুর্কমেনিষ্টানগী সিটি অসগাবাটতা চথরিবা এসিয়ান ইন্দোর এন্দ মার্সিয়েল আর্টস গেমস অসিদা ইন্দিয়ানা গোল্ড মেডল ৫, সিলভর মেডল ৩ অমদি ব্রোঞ্জ মেডল ৪ ফংলগা টেবলগী নিপালশুবা পোজিসনদা লৈরি। অদুগা য়ুম্থু লৈবাক টুর্কমেনিষ্টাননা গোল্ড মেডল ৫২, সিলভর ৩৬ অমদি ব্রোঞ্জ মেডল ৩৭ লৌদুনা টেবলগী মকোক্তা লৈবা ঙম্লি।

এসিয়ান ইন্দোর এন্দ মার্সিয়েল আর্টস গেমস অসিগী টেন্নিসকী নুপীগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা শরুক য়াখিবী চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অহানবা সিদেদ ইন্দিয়াগী অনকিতা রাইনানা চাইনিজ তাইপৈগী ৱাং চাও য়িবু য়াম্না কোম্না ৬–০, ৬–১ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী অনকিতা রাইনানা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ৭শুবা সিদেদ ইন্দোনেসিয়াগী বিট্রিস গুমুলয়াগা লম্বা তৌনরগনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী টেন্নিস মশান্নগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ইভেন্টতা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অহুমশুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী বিজয় কুমার প্রসান্থনা চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই লো য়ি জুইবু ৬–১, ৬–২ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী বিজয় সুন্দর প্রসান্থনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ৫শুবা সিদেদ কজাখষ্টানগী টিমুর খাবিবুলিনগা লম্বা তৌনরগনি।

## জেক্কী ষ্ট্রাইকোভা, ফ্রান্সকী গার্সিয়া, দেনমার্ককী ৱোজনিয়াকি অমদি স্লোভাকিয়াগী চিবুলকোভা পান পেসিফিক ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

*টোকিও, সেপ্টেম্বর ২১ঃ*

জপানগী সিটি টোকিওদা চথরিবা টোরে পান পেসিফিক ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচশিং মায় পাক্নুনা জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভা, ফ্রান্সকী কেরোলাইন গার্সিয়া, দেনমার্ককী কোরোলিন ৱোজনিয়াকি অমদি স্লোভাকিয়াগী দোমিনিকা চিবুলকোভা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।



*পান পেসিফিক ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবী জেক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভা*

জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভানা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা বৃটেনগী জোহানা কোন্টাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরম্বনি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী লম্বা মান্নরকখি। গেম ৫–৫ মান্নদুনা লৈরম্লবা মতুং ষ্ট্রাইকোভানা থংনবা গেম অনী লৌবা ঙমখিবদগী ৭–৫ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অনীশুবা সেট অদুদসু শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকপদগী টাই ব্রেক ফাওবা য়ৌরকখি। টাই ব্রেক অদুদা জেক্কী ষ্ট্রাইকোভানা ৭–৫ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা রুশিয়াগী এ পাব্লিয়ুচেনকোভাগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৯শুবা সিদেদ ফ্রান্সকী কেরোলাইন গার্সিয়ানা য়ুম্থু লৈবাক জপানগী এন নারাবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–১, ৬–৩ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সিদেদ স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজাগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সিদেদ দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজনিয়াকি অমদি ৫শুবা সিদেদ স্লোভাকিয়াগী দোমিনিকা চিবুলকোভা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ দেনমার্ককী কোরোলিন ৱোজনিয়াকিনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা য়ুএসএগী এস রোজর্সপু ৪–৬, ৬–১, ৬–১ দা থোইরমখি। অমরোমদা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা ওইগদৌরিবা স্লোভাকিয়াগী দোমিনিকা চিবুলকোভানা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা জেক রিপব্লিক্কী কে সিনিয়াকোভাবু ৬–২, ৬–২ দা থোইরমখি।

টোরে পান পেসিফিক ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী কাঙলুপ্তা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ ক্রোএসিয়াগী এ ক্লেপাক অমদি স্পেনগী মার্টিনেজ সঞ্চেজ ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ক্রোএসিয়াগী এ ক্লেপাক অমদি স্পেনগী মার্টিনেজ সঞ্চেজনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা সিদেদ পেয়র কানাদাগী দাব্রোস্কি অমদি চাইনাগী ঝু য়িফানবু ৭–৫, ৩–৬, ১০–৩ দা থোইরম্বনি।

## জপান ওপন বেদমিন্টন সুপর সেরিজদা সাইনা অমসুং সিন্ধু লৈহৌরে, স্রিকান্থ অমসুং প্রনোই ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

*টোকিও, সেপ্টেম্বর ২১ঃ*

জপানদা চথরিবা য়ুএস দোলর ৩২৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা বেদমিন্টনগী সুপর সেরিজ টুর্নামেন্টতা নুপীগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা মালেমগী রেঙ্কিংদা মকোক থোংদুনা লৈরিবা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু অমসুং সাইনা নেহৱাল মায়থিখ্রে। নুপাগী কাঙলুপ্তা ইনিদয়াগী স্রিকান্থ অমসুং প্রনোই ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।



*জপান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী কিদম্বী স্রিকান্থ অমসুং ঐচ এস প্রনোই*

হন্দক্তঃ পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপীগী সিঙ্গলসকী কম্পিটিসনদা সিলভর মেডল ফংখ্রবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু অমদি মমাঙদা রিও ওলিম্পিক্সতা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখ্রবী সাইনা নেহৱাল জপান ওপন সুপর সেরিজ টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দদা মায়থিহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুবু টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্থু লৈবাক জপানগী শান্নরোই নোজোমী ওকুহারাগী মখুত্তা ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিহৌখি।

মেটচ অদুগী অহানবা গেম অদুদা শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্লরবা মতুং জপানগী নোজোমী ওকুহারানা ফজবা হেনখিবদগী ২১–১৮ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

গেম অমা মাঙজিল থারবা জপানগী ওকুহারানা অনীশুবা গেম অদুদা য়াম্না ফজবা মশান্না উৎতুনা শান্নরকপদগী ইন্দিয়াগী সিন্ধুবু য়াম্না কোম্না ২১–৮ দা থোইবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল টুর্নামেন্ট অসিগী ৫ শুবা সিদেদ লোইননা রিও ওলিম্পিক্সকী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবী স্পেনগী কেরোলিনা মারিনগী মখুত্তা ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিহৌখি।

মেটচ অদুগী অহানবা গেম অদু স্পেনগী মারিননা ইন্দিয়াগী নেহৱালবু ২১–১৬ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। গেম অমা মাঙজিল থারবা স্পেনগী মারিননা অনীশুবা গেম অদুদা হেন্না ফজরক্তুনা ইন্দিয়াগী সাইনাবু ২১–১৩ দা থোইদুনা মারিন ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

জপান ওপন সুপর সেরিজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা শরুক য়াখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী কিদম্বী স্রিকান্থনা হোং কোংগী শান্নরোই হু য়ুনবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা থোইরমখি।

মেটচ অদুগী অহানবা গেম অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই কিদম্বী স্রিকান্থনা ইৱা ৱাদনা হোং কোংগী শান্নরোই অদুবু ২১–১২ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

গেম অমা মাঙজিল থারবা ইন্দিয়াগী স্রিকান্থনা অনীশুবা গেম অদুদসু মহাক্কী ফজবা মশান্না অদু অদুমক মখা তানা শান্নবা ঙমখিবদগী হোং কোংগী শান্নরোই অদুবু ২১–১১ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা জপানগী কে নিসিমোটোবু ২১–১৭, ২১–১৮ দা থোইরম্বা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সিদেদ দেনমার্ককী ভিক্তর এজেলসেনগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী ঐচ এস প্রনোইনা অনীশুবা রাউন্দদা চাইনিজ তাইপৈগী সুন জে হাওবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–১৭, ২৩–২১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী সমির বর্মবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা ১০–২১, ২১–১৭, ২১–১৫ দা মায়থিবা পীরম্বা চাইনাগী সি য়ুকিগা লম্বা তৌনরগনি।

জপান ওপন সুপর সেরিজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী কাঙলুপ্তা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী পেয়র পি জে চোপ্রা অমদি এ সিক্কি রেদ্দিনা জপানগী ৱাই কানেকো অমদি কে য়োনেমোটোবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–১৩, ২১–১৭ দা য়াম্না কোম্না মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনিজ তাইপৈগী লি য়াং সু য়া চিনবু ২১–১৯, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীরম্বা সাউথ কোরিয়াগী পেয়র সিও সিয়ুং অমদি কিম হানাগা লম্বা তৌনরগনি।

মিক্স দবলসকী কাঙলুপ্তা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী পেয়র এস রানকিরেদ্দি অমসুং আস্বিনি পোনাপ্পা জপান ওপন সুপর সেরিজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র পি জোর্দান অমদি দি সুসান্টোগা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ২৭–২৯, ২১–১৪, ১২–২১ দা মায়থিহৌখি।

## ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিম্না সাউথ অফ্রিকাগা টেষ্ট মেটচ ৩ অমদি ৱান দে মেটচ ৬ শান্নরগনি

*ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২১ঃ*

ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিম্না মথং চহীগী জনুৱারী ৫ দগী হৌরগা সাউথ অফ্রিকাগী ক্রিকেট টিমগা টেষ্ট মেটচ ৩ অমদি ৱান দে মেটচ ৬ শান্নরগনি।

ইন্দিয়া অমসুং সাউথ অফ্রিকানা শান্নগদৌরিবা টেষ্ট মেটচ ৩ অসি মহাত্ম গান্ধি–নেলসন মন্দেলা টেষ্ট সেরিজগী মখাদা শান্নগদৌরি। টেষ্ট মেটচ ৩ অসি লোইরবা মতুং দা লৈবাক অনী অসিনা ৱান দে মেটচ ৬ শান্নরবা মতুং টি–২০ মেটচ ৩ অমসু শান্নগদৌরি।

ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিম্না শান্নগদৌরিবা মেটচশিং অসিগী তারিখ অমদি মফমনচিংবশিং অদু য়াম্না থুনা লাওথোক্লগনি হায়না ইন্দিয়াগী ক্রিকেটকী মকোক থোংবা লুপ অমা ওইরিবা বিসিসিআইগী এক্তিং সেক্রেটরী অমিতাব চৌধুরিনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিম অসি হৌজিক–হৌজিক ওষ্ট্রেলিয়াগা ৱাদ দে মেটচ ৫গী সরিজ শান্নরিবনি।

সাউথ অফ্রিকাগী টুর অসি লোইরবা মতুং ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিম অসিনা শ্রী লঙ্কাদা শান্নগদবা লৈবাক ৩ গী টি–২০ ট্রাইনেসন্স টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইন্দিপেন্দেন্স কপতা শরুক য়াগদৌরি।

## বোরুশিয়া দোর্টমুন্দনা হেমবর্গর এসভি পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা বুন্দেস লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টেবলদা মকোক ওইবা ঙমখ্রে

*বর্লিন, সেপ্টেম্বর ২১ঃ*

জর্মনিগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা বুন্দেস লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৫শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা বোরুশিয়া দোর্টমুন্দনা হেমবর্গর এসভিবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে।



*বোরুশিয়া দোর্টমুন্দ অমদি হেমবর্গর এসভিনা শান্নখিবা মেটচ অমদা টিম অনীগী শান্নরোই অনীনা বোল মুন্নখিবা*

মেটচ অদু হৌরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী এটেক তৌশিন্নদুনা শান্নরকপদা শান্নবগী মিনট ২০ লোইশিনখ্রবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

শান্নবগী ২৪ শুবা মিনটতা বোরুশিয়া দোর্টমুন্দগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই সিঞ্জি কাগাৱানা অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি। অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী বোরুশিয়া দোর্টমুন্দনা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা পাঞ্জল মাঙজিল থারিবা বোরুশিয়াগী মায়কৈদগী এটেক হেন্না কনশিন্দুনা অহেনবা পাঞ্জল থিবা হৌরকখি। শান্নবগী ৬৩ শুবা মিনটতা বোরুশিয়া দোর্টমুন্দগী এটেক অমদা টিম অদুগী পিয়েরি ইমেরিকনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা হেমবর্গরবু ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

টিম অনীনা মখা তানা শান্নরকপদা বোরুশিয়া দোর্টমুন্দগী এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই খৃষ্টিয়ান পুলিসিকনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা হেমবর্গর এসভিবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৫শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা রিয়েল বেটিসনা রিয়েল মাদ্রিদপু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। শান্নবগী অহানবা হাল্ফতা এটেক কয়া তৌশিন্নদুনা শান্নরকখ্রবসু পাঞ্জল চনশিনবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু য়াম্না লম্বা মান্নখিবা মরম্না শান্নবগী মতম লোইশিল্লবা ফাওবদা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমদনা লৈনখি। শান্নবগী ৯০ শুবা মিনটতা রিয়েল বেটিসকী এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই এন্টোনিও সানাব্রিয়ানা মেটচকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা রিয়েল মাদ্রিদপু ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

লা লীগাগী ঙসি শান্নখিবা ৫শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা সিভিলানা লাস পালমাসপু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৮৩শুবা মিনটতা সিভিলাগী শান্নরোই জিজস নাভাসনা চনখিবনি।

ইটালিগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা সেরি এ গী ৫শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা এসএসসি নাপোলিনা লাজিওবু পাঞ্জল ৪–১ দা মায়থিবা পীদুনা টেবলগী মকোক ওইবা ঙমখি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকী ২৯ শুবা মিনটতা লাজিওগী এটেক অমদা টিম অদুগী ষ্টেফান দি ভ্রিজিনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা নাপোলিবু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

পাঞ্জল অমা শোথরবা নাপোলিগী মায়কৈদগী অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৪ চনশিন্দুনা লাজিওবু ৪–১ দা মায়থিবা পীখি।